# এম এল সী এফ টিনা অগরতলাদা মল্টিলিঙ্গুয়েল পোইটস মীট পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস):** ত্রিপুরাদা লৈমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী লোলগী অইবশিংগী মরক্তা অপূনবগী শক্তম অমা শাগৎনবগী পান্দমদা মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, ত্রিপুরা (এম এল সী এফ টি)না সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দেল্লিগী মতেংগা লোয়ননা মল্টিলিঙ্গুয়েল পোইটস মীট অমা অগরতলাদা লৈবা সাহিত্য একাদেমীগী নোর্থ ইষ্ট সেন্টর ফোর ওরেল লিটরেচরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে হায়না ফোরম অসিগী সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, সাহিত্য একাদেমী মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দকী মেম্বর খোইস্নাম বীরোলানা খোইরু থাউমৈ চুখত্তুনা হৌদোকখিবা থৌরম অসিদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, খুন্নাই অমা চাওখৎপদা সাহিত্যনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মরম অসিনা ঐখোয় পুন্না চাওখৎমিন্ননবা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী অইবশিং অসিগী মরক্তা নুংশিবগী মরী অমা শেমগত্তুনা লোল অমগী সাহিত্য অতোপ্পা লোল অমগী মফমদা য়ৌহনবা, খঙহনবা তঙাইফদে হায়খি।

থৌরমসিদা সাহিত্য একাদেমী মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দ মেম্বর অশাংবম নেত্রজিৎনা ময়াম্বুতরাম্না ওকপগী ৱারোল পীরদুনা থৌরমসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলসু ফোঙদোকখি। থৌরমসিদা সেলৈবম খেলামোহোন (মণিপুরী), ক্রাইরি মোগ চৌধুরি (মোগ), উত্তরা চকমা (চকমা), খোইবম শৈব্যা (বাংলা) অমসুং কুন্দু চৌধুরি (কোকবোরোক)না শৈরেংশিং পাথোকখি হায়রি।